# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Charlie's Statue at Vevey


Queen Elizabeth II


Harold Wilson

- চার্লিনা মাগী য়ূম Switzerland দা হল্লক্লগা লাইরিক ইবা অমুক হৌরে। মদুমক্তি মাগী পুন্সি ৱারী ফোঙবা Max Reinhardt কী থৌইনশিন দগীনি। চার্লিগী ফিল্মগী পুন্সিদা হেন্না চঙশিনবা লাইরিক অমগা ইবিয়ু হায়বদগীনি। অদুনা My life in Pictures কৌবা লাইরিক্তু ইরিবনি। লাইরিক অদু লন্দন্দা ১৯৭৪গী ওক্টোবরদা ফোঙখি। মশাসু য়াওখি।
- ১৯৭৫দি চার্লিগী পুন্সিদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা ওইখি। মরমদি মহাকপু বৃটেনগী মহারানীনা Knighthood পীবিরে। মহারানী লেঙথোক্লকপা ঙাইরিঙৈদুদা যন্ত্র খোংবশিংনা মাগী ফিল্মগী ঈশৈশিং খোংখি। যন্ত্র খংলেপ লেপখি, অদুদগী কৌরকখি - 'Sir Charles Chaplin' হায়না। চার্লি থগৎখি - মহারানীগী মনাক্তা গজ ১০ মুক্তং চঙবদু মকলাপ নীকখি। অদুনা Steward অমনা মাবু Wheeled Chair দা ইন্দুনা পুশিনখি।
- কোন্না চার্লিনা হায়খি "মহারানীনা মোমোন নোক্তুনা ওকপীবদুদা মহাক ৱা ঙাঙবা থোকখিদে। মাবু য়াম্না থাগৎপীরকখি। মাগী ফিল্মশিংনা মহারানীদা মতেং য়াম্না ওইখি হায়রকখি।
- Knighthood ফংলবা মতুংদা Savoy দা চাকলেন চাখি মাগী ইমুং মনুং পূম্বা। চাক চারিঙৈদা বৃটেনগী Prime Minister, Harold Wilson না মাবু উনবা লাক্লি হায়রকখি টেলিফোন্দা। প্রাইম মিনিষ্টর হেক থুংলবদা চার্লিনা হৌগৎতুনা ওকখি।
- ১৯৭৫ অসিদা মানা মতমদুদা ভাবক্লা কয়া খোয়দাখিদবা ফিল্ম, 'A Woman of Paris' হায়বদু অমুক শেমদোক্লগা উৎকে খনখি। ১৯২৩দা উৎখিবদু ককপা য়াবা কল্লগা ঈশৈ হাপচিন্দুনা হৌজিক্কী মতমগী ভাবক্লা পামগদবা মওংদা শেমখি। মরক মরক্তনা মাগী ড্রাইভর, Renato নৎত্রগা Gino না চার্লিগা ঊনাগা কারদা পুরগা পাৎতুগী অচিকপা মফম অমদা থনমগনি। অদুগা মতৈ-মনাও পুং কয়া তুমিন্না ফমদুনা লৈথোক্কনি। কারনা অমুক লৌরগনি। মখোয়না ইলেক্ট্রিক্লা থৌবা গাড়ী মচা (runabout) অমসু লৈখি। মদুদা তোংলগা চার্লিনা মাগী পার্ক অদুদা কোয়থোকই।
- ১৯৭৭কী ওক্টোবর ১৫ অসিনা চার্লিগী অরোইবা খোঙচৎনি, মাগী য়ূমগী মপান্দা। মানে, উনানে, মচানুপী ভিক্টোরিয়ানে, মমাক নুপা, Jean Baptiste নে, মশুশিংনে সার্কস য়েংবা থোকইবনি Vevey দা। Circus Knie কাঙবুনা হেক হেক কোয়রক্তুনা উৎলবসি চার্লিগী ইমুংগীদি চিংথদ্রবনি, Switzerland দা লাকপদগী। আর্টিষ্টশিংদুগা পার্টি তৌমিন্নৈ।
- মতাং স্বাই য়ৌরকপদদি চার্লি শোঞ্জিল্লক্লে। মাবু সেবা তৌবীবা লেপ্পা য়াদ্রে। উনানা মশামক্লা মপুরোইবগী সেবা চেকশিন্না তৌই। ইমুংগী মীৎখনা মহাকসু নারক্লনি হায়নখি। নর্সতা থবক্তু শিন্নৌ হায়খি। ১৯৭৭কী খৃষ্ট মাস হয়েংনি হায়বদুদা ইমুং মনুংগী মী পূম্নমক তিল্লে, Geraldine মতোমতনি স্পেন্দা থবক তৌখিবদগী য়াওদবা। Manoir অদুদা খৃষ্ট মাস পূন্না হেক হেক পাঙথোকমিন্নবনি। হন্দক্তি মশু ময়ামসু য়াওদৌরিনি।
- Christmas Eve কীদমক খুঙ্গংদগী Monsieur Inmoos না Santa Claus শাদুনা তত্তনা লাকই চার্লিখোয়দা চহী ২০ মুকসি। মানা চার্লিগী অঙাংশিংদা খুদোলপোৎ পীরৈ, মদু চার্লিগী কাদা হেক হেক পাঙথোকই। অঙাংশিংনসু Santa Claus দা খুদোল পীখি। থোঙদু হাংদুনা অদুম থম্মী, মচাশিংনা Santa Claus দা বর পীখিবদু তানবনি।
- অদুবু নুমিৎ অদুদি নোংঙানবগা খৃষ্টমাসকী ললাঙলদৌবা অহিংদুদা নোংঙাল্লমদাইদা চার্লস চাপ্লিন কনাদসু ৱা অমা হায়রমদনা তূম্না তূম্না তাইবঙ থাদোকখ্রে। খৃষ্ট মাসকী নুংঙাইরবা অয়ুক্তুদি মহাক লৈখিদবগী অৱাবা পাউনা মালেম থুংনা শন্দোকখ্রে।
- হোলিউদতসু মাবু লাইদৌনা লৌজবা Mark Stock হায়বা লাইয়েকপদুনা রেডিওদা মাগী লৈতবগী পাউদু হেক তাবদা লৈ খরা চার্লিগী য়ূম ওইরম্বা অদুগী কোম্বোংদা কৎলুই, লৈ খরা অমসু মাগী ষ্টদিওগী থোঙজিন্দা কৎলুই। অদুগা গেট কাদুনা চঙলগা ষ্টদিওগী ফিরাল অদু তঙ্খায় চিংথখি। অদুন্না নুমিৎ কয়ানি থমখি। অদুনসু লোইদ্রি, মানা থুনা Hollywood কী Cemetry দা চৎতুনা চার্লিগী মমাইবেম্মা Hannah গী মোংফমদা লৈ অমুক কৎলুই। অদুবু কনাননো খঙদনা হান্না লৈ খরা কৎলম্বা থেংনখি।
- অসুন্না মালেম ফাওরবা কোমেদিয়ান চার্লস চাপ্লিনগী অরোইবা মথৌ-মঙমদু ১৯৭৭কী খৃষ্ট মাস নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১দা Anglican Church তা পাঙথোকখ্রে, মানা লৈরিবা Vevey গী লমদমদুদা। চার্লিনা পামজরম্বা মতুং ইন্না চাউনা পাঙথোকখিদে, মাগী ইমুং মনুংখক্তনা পাঙথোকখি। অরোইবা ধর্ম্মগী লাইশোন অদুনা Rev. Robert Thomson অমসুং Rev. David Miller অনীনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা বৃটিশ এম্বেসেদর Allen Keir Rothnie য়াওখি। কু অদু অমুবা অমসুং চান্দি মচুগী Pall না কুপশিনখি। থৌরম অদু হেক লোইবগা উনাদি Crans-Sur-Sierre গীদমক চৎখ্রে।
- অদুবু থা ৪ ফাদ্রিঙৈ, ১৯৭৮গী মার্চ ২দা Vevey Cemetery গী সুপরিন্টেন্দেন্ট, Etienne Buenzod না পাউ পীররে, চার্লিগী মং অদু তৌথোক্তুনা কু অদু হুরানখ্রে হায়না। মালেম থুংনা অঙকপা অমাওইনা ঙাঙনখ্রে কু মাঙখিবদুগী মরমদা।
- খরনা হায়, চার্লিনা 'The Great Dictator' পুথোকখিবদুগী লমন খুন্বা ওইনা Neo-Nazi কাঙবুনা হূখিবা ওইরম্বা য়াই। খরা অমনা হায়, Jew গী ঈ য়াওবা চার্লিবু Christian Cemetery দা ফুম্লুবদুগী য়ানীংদবা উৎপা ওইনা হূরাল্লম্বা য়াই। নৎত্রগা খরনা হায়রিবনা চার্লিদা ঙাওজবা মীওই খরনা মখোয়গী idol ওইরিবদু লাৎচনীংদুনা হূরানবা ওইরম্বা য়াই। অদুবু ঙাঙনরিবশিংদু অমত্তা নৎলমদ্রে। শেলগীদমক হূবা ওইরম্লে। শকখঙদবা 'M Cohat নৎত্রগা Rochat' কৌবা অনীনা ফোন্দা হায়রক্লে, ডোল্লর লাক্ষ ৬ পীয়ু হায়দুনা। - মথং-মথং

## মালেমগী অঙকপশিং

# ক্রোসিয়াগী দুব্রোনিক



মেদিটরেনিয়ন সীগী মরু ওইবা হিথাংফম অমনি দুব্রোনিক সীটি। ক্রোসিয়াগী এড্রিয়াটিক সীদা লৈরিবা সীটি অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লমকোয়বা কয়া লাক্লরি। কুমজা ২০১১ গী সেন্সস রিপোর্ট মতুং ইন্না অপুনবা মীশীং ৪২,৬১৫ লৈবা সীটি অসি কুমজা ১৯৭৯ দগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটতা চনখ্রবনি।

তরামঙা অমসুং ১৬ শুবা চহীচাদা রিপব্লিক ওফ রেগুসাগী কেপিটেল সীটি অসি অৱাংবা থাক্তা শেমগৎ-শাগৎখি। কুমজা ১৮৯৭ তা হোটেল ইম্পরিয়ল শাখিবদগীদি মোর্দর্ন টুরিজমগী মমি তাবা হৌরকখি। মালেমদা লৈরিবা চেকপলনা পুমকোয় কোয়শিল্লবা খ্বাইদগী নীংথিজরবা সীটি ১০ গী মনুংদা অমা ওইরিবা দুব্রোনিকতা লালগী চৈথেং ফংহন্দনবগীদমক লাম্নী অমত্তা থমদে। কুমজা ১৯৯১ দা য়ুগোস্লাভিয়া মচেৎ তাখ্রবা মতুংদা য়ুগোস্লাব পীপল'স আর্মিগী সর্ব অমদি মোন্টেনেগ্রিন লাম্নীশিংনা থা তরেৎ খুদুম চন্দুনা থল্লুবদগী সীটি অসি ফনা য়াম্না অমাঙ-অতা থোকখি।

অরিবা মতমগী ৱারী অমগী মতুং ইন্না ৭ শুবা চহী চাদা লোস কৌবা ইথৎ অমদা দুব্রোনিক শেমগৎখিবনি হায়রি। অকোয়বদগী লাক্তুনা খুন দারখিবা রেফ্যুজি খরা চঙজফম পীরম্বদগী অকোনবদা মপুং ফাবা সীটি অমা শেমগৎলকখিবনি।

অনৌবা অর্কিওলোজিকেল এক্সকাভেশনদা য়ুন্ফম ওইরগা কুমজা ২০০৭ তা অতোপ্পা থিওরি অমা পুথোরকখি। অতোপ্পা থিওরি অসিগী মতুং ইন্না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী দুব্রোনিক সীটি শেমগৎখ্রে হায়রি। নিপালশুবা চহীচাদা লৈরম্বা অচৌবা বেসিলিকা অমগী মতুং ইন্না মফমসিদা মীওই মশীং য়াম্না খুন্দারম্মী হায়না থাজনরি।

ডা. এন্টন নাইসটিকনা ইবা "হিষ্ট্রি ওফ দ পোর্ট ওফ দুব্রোনিক" কৌবা লাইরিক অমগী মতুং ইন্না মতম অমদা গ্রীক সেলরশিংনা দুব্রোনিক সীটি শেমগৎখিবনি হায়রি। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না অওনবা কয়া লাকখিবগা লোয়ননা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুং তারকপদা কম্যুনিষ্টশিংনা দুব্রোনিক খুদুম চনখি। কম্যুনিজমগী মখাদা সীটি অসি সোশলিষ্ট রিপব্লিক ওফ ক্রোএসিয়া অমদি সোশলিষ্ট ফেদরেল রিপব্লিক ওফ য়ুগোস্লা-ভিয়াগী শরুক অমা ওইরকখি।

কুমজা ১৯৯১ দা ক্রোএসিয়া অমসুং স্লোভেনিয়ানা সোশলিষ্ট ফেদরেল রিপব্লিক ওফ য়ুগোস্লাভিয়াদগী নীংতমলে হায়না লাউথোক্তুনা সোশলিষ্ট রিপব্লিক ওফ ক্রোএসিয়াগী মমিং রিপব্লিক ওফ ক্রোএসিয়া ওনখি। লানগী চৈথেং ফংহন্দনবগীদমক লাম্নী অমত্তা থমদবা তারবসু কুমজা ১৯৯১ দা ক্রোএসিয়ানা নীংতম্বা ফংখ্রবা মতুংদা য়ুগোস্লাভ পীপল'স আর্মিনা সীটি অসিদা এটেক তৌরকখি। অনৌবা ক্রোএসিয়ন গভর্ণমেন্টনসু সীটি অসিমক্তদা মিলিটরি আউটপোষ্ট শেমগৎখি।

অরি-অরিবা বিল্ডিং কয়ামরুম লৈরিবা সীটি অসিদা য়ুরোপকী ওইনা অহুমশুবা খ্বাইদগী লিরবা ফার্মাসিসু লৈরি। কুমজা ১৩১৭ তা হাংদোকখিবা ফার্মাসি অদু হৌজিকসু অদুমক হাংলি। মতম অমদা জোর্জ বর্নাদ শোনা খ্বাইদগী নীংথিজরবা মফমনি হায়না শীংথারম্বা দুব্রোনিক্কী সমুদ্র মপানদা লোক্রম কৌবা হেক্টর ৭২ পাক-চাউবা য়াম্না নীংথিজরবা ইথৎ অমা লৈ। ইথৎ অসিদা লানবন্দ অমা, বোট্রনিকেল গার্দেন অমা অমসুং মোনাষ্ট্রি অমা লৈ। লমকোয়বশিংনা খোয়দানা য়েংবা লাক্লরিবা সমুদ্র মপালশিংগী মনুংদা বাঞ্জে অমদি কোপাকানা বীচ মমিং পনবা য়াই।

কুমজা ১৬৬৭ তা অকনবা য়ুহার হাবগী থৌদোক অমা থোকখিবদা বিল্ডিং অয়াম্বা তেকখ্রবসু মরু ওইবা বিল্ডিং খরা লৈহৌখি। লৈহৌরিবা খরা অদু য়েংলগা সীটি অসিগী চাউরাকপা অর্কিটেকচরগী মওং-মতৌ খঙবা ঙম্মী। মমিং চৎপা বিল্ডিং খরদং পল্লবদা স্পোঞ্জা পেলেস, রেক্টর'স পেলেস, সেন্ট সেবিয়র চর্চ, ফ্রান্সিস্কান চর্চ এন্দ মোনাষ্ট্রি, সেন্ট ব্লেজ'স চর্চ, বেরোক কেথিদ্রেল অমসুং দোমিনিকান মোনাষ্ট্রিনচিংবনি।

দুব্রোনিক্কী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমা হায়বা তারবদি সীটি অসিবু কোয়শিল্লিবা কিলোমিটর ২ (মাইল ১.২৪) শাংবা চেকপলনি। চেকপল অসি কংফাললোম থংবা শরুক্তা মিটর ৪ দগী ৬ ফাওবা থায় অদুগা সমুদ্ররোম থংবা নাকলদনা খরা পাথৈ।

কুমজা ২০১১ গী সেন্সস মতুং ইন্না অপুনবা মীশীং ৪২,৬১৫ লৈবা সীটি অসিদা ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্ট অমা লৈ। সীটি অসিদা দুব্রোনিক ইন্টরনেশনেল য়ুনিভ-র্সিটি, য়ুনিভর্সিটি ওফ দুব্রোনিক, নোটিকেল কোলেজ অমা, টুরিজম কোলেজ অমা, য়ুনিভর্সিটি ওফ জাগ্রেবকী পোষ্ট গ্রেজুয়েট ষ্টদিজ সেন্টর অমা, অমেরিকন কোলেজ ওফ মেনেজমেন্ট এন্দ টেক্নোলোজি, অমসুং ক্রোএসিয়ন একাদমি ওফ সাইন্সেস এন্দ আর্টসনচিংবা মমিং চৎলবা মহৈ তম্ফম শঙ কয়া লৈ।

# চপ চাবা মরম খঙদনা ষ্ট্রোক তৌরকপা

## ক্রিপ্টোজেনিক ষ্ট্রোক



ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদনা ষ্ট্রোক তৌরকপগী থৌওংবু ক্রিপ্টোজেনিক ষ্ট্রোক (সী এস) হায়না খঙনৈ। হৌজিক ফাওবদা সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন-হূমজিনবদা সী এস তৌহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি।

ইস্কেমিক ষ্ট্রোক শরুক অহুমগী মনুংদা অমরোম ক্রিপ্টোজেনিকনি। অয়াম্বা মতমদা অহলদগী নহাদনা হেন্না মায়োক্লগনবা ক্রিপ্টোজেনিক ষ্ট্রোক দাইগনোস তৌনবগীদমক ট্রান্সইসোফেগিয়ল কার্দিওগ্রাফি, ঈ সী জি, সী টি/ এম আর এঞ্জিওগ্রাফি, ট্রান্সক্রেনিয়ল দোপ্লর সোনোগ্রাফি, ব্লদ কেমিকেল ইনভেষ্টিগেশন অমসুং কোগুলেশন টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই।

কনাগুম্বা মীওই অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ক্রিপ্টোজেনিক ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবরা হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংগী মরক্তা য়েৎনবা কয়ামরুম লৈরি। ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রিবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি।

য়াম্না শম্না হায়রবদা ষ্ট্রোক হায়বসি 'ব্রেন এটেক' নি। মীওই খুদিংমক মতম অমদা হেক্তা মায়োক্লবা য়াই। ব্রেনগী অখন্নবা মফম অমদা ঈ য়ৌরকপা ঙমদবদগী ষ্ট্রোক তৌরকপনি। মতমদুদা ব্রেনগী সেলশং ওক্সিজেন ফংদবদগী মথং-মথং শিরকই। ষ্ট্রোক তৌবদগী ব্রেন সেলশিং শিখিবা তারবদি হায়রিবা ব্রেনগী শরুক অদুনা কন্ট্রোল তৌরম্বা হকচাংগী মথৌদা অকায়বা পীরকই।

ষ্ট্রোকনা মীওইবদা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনবগে হায়বদুদি ব্রেনগী করম্বা মফমদা ষ্ট্রোক তৌবগে অমসুং কয়া য়াম্না ব্রেন অমাঙ অতা থোক্লবগে হায়বদুগী মখা পোল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না নেম্বা চাংদা ষ্ট্রোক তৌরবদি খোঙ নাম্ম নৎত্রগা খুৎ নাম্মখক শোন্থরকপা নৎতনা অতৈ অতোপ্পা থোইদোকপা খুদোংচাদবা মায়োক্লদবা য়াই। খরা চাউবা মওংদা ষ্ট্রোক তৌরগনা হকচাং নাকল নাম্ম শিথখিবা নৎত্রগা মরোল থোকখিদবা য়াই।

ষ্ট্রোক তৌরবা মতুংদা শুপ্নগী মীওই খরখক মপুং ফানা ফগৎলকই। অদুবু মীওই অয়াম্বা মখল অমা নৎত্রগা অমগী শোইনাইবা পুন্সি মহিংদা হিংবা থেংনৈ। সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী মালেমদা মীওই অমা নৎত্রগা অমা ষ্ট্রোক তৌই। মিনিট ৪ খুদিংগী মীওই অমা ষ্ট্রোকনা মরম ওইদুনা শিহনবা তারবসু মতীক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌরবদি মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্মী। উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশীং মরাং কায়না চাবগা লোয়ননা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তোয়না তৌবা, মৈখু শীজিন্নদবা অমসুং য়ু থক্তবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা চেকশিন থৌরাংনি।

কনাগুম্বা মীওই অমা ইখঙ খঙহৌদনা মায়, পাম্বোম অমদি খোঙদা খংশোন-শোনথরকপা; খঙহৌদনা ৱা ঙাঙবা থোক্তবমখৈ ৱাখল চমন্ন রকপা; ময়েক শেংনা উবা ঙম্লক্তবা, কোক খংচীক চীল্লকপা অমসুং চুন্না লেপ্পা ঙমদবদগী চৎপা ফাওবা ঙম্লক্তবা তারবদি ষ্ট্রোক তৌরকপগী খুদমনি। মতমদুদা ঙল্লিবমখৈ থুনা দোক্তরগী মনাক্তা পুবা মথৌ তাই।

## খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং

### শুন্দ্রংদা মখোল তাবা ঙম্বরা

শুন্দ্রংদা মখোল তাবা ঙম্বরা হায়বসি মতম কয়াগী মমাঙদগী হংদুনা লাক্লবা ৱাহংনি। মখোল হায়বসি এয়র পার্টিকলশিংগী ভাইব্রেশননি। মরম অদুনা শুন্দ্রংদা তারিবা মখোল খুদিংমক ইলেক্ট্রো মেগনেটিক স্পেক্ট্রমগুম্বা অতোপ্পা সোর্স অমদগী লাকপনি। হায়রিবা ৱেভ অসি মখোল নত্তে। ইলেক্ট্রো মেগনেটিক স্পেক্ট্রমগী শরুক ওইরিবা লাইট ৱেভ অমদি রেদিও ৱেভশিংগী মখোল নত্তে। রেদিও ইক্বিপমেন্টনা ৱেভশিং অসি করিগুম্বা মতমদা মখোল ওইনা ট্রান্সলেট তৌরকপা য়াওই।

শুন্দ্রংদা থৱানমিচাক পোকখায়বা, এষ্টেরোইদ মশেল থেংগায়নবা অমসুং সোলর ষ্টোর্ম থোরকপা মতমদা মখোল থোকই। অদুবু হায়রিবা মখোল অদু মালেম য়ৌরকপা ঙমদে। অদুবু নুংশিৎনা মখোলবু স্পেসক্রাফট য়ৌনা পুরকপা ঙম্মী।

এয়র পার্টিকলশিং য়াওবা মরম্না স্পেসক্রাফট মনুংদা মখোল তাবা ফংবনি। টেক্নিকেল ওইনা য়েংবদা কনাগুম্বা অমা স্পেসক্রাফট তোংদুনা চৎলিঙৈদা স্পেসক্রাফট অদু পোকখায়রকপা তারবদি মীওই অদু শিদ্রিঙৈদা পোকখায়বগী মখোল হান্না তাবা ফংগনি। মসি স্পেসশিপ মনুংদা য়াওবা এয়র পার্টিকলনা মরম ওইরদুনা থোকহনবনি।

কনাগুম্বা অমনা তোংলিবা স্পেসশিপ অমগী মনাক্তা পাইবা অতোপ্পা স্পেসক্রাফট অমা পোকখায়রকপা মতমদা অকায়বা স্পেসক্রাফট অদুগী মচেৎ-মচেৎ পাইথোরক্লগা য়ৈবগী মখোল তাবা ফংগনি। মসি ভাইব্রেশননা থোকহনবনি।

ভাইব্রেশননা পুরকপা সাউন্দ এয়র পার্টিকল তোংলিবা স্পেসশিপ অদুগী এয়র পার্টিকল য়ৌনা পুরকপদগী মখোল তাবা ফংবনি। পোকখায়খ্রবা স্পেসশিপ অদুগী গ্যাস ময়াম অমসু কামথোরক্কনি। অদুবু মদুগী মখোলদি অতেনবা মতমগী মনুংদা অহাঙবা মালংদা তিনখিবা মরম্না তাবা ফংলোই। মতৌ অসুম্না শুন্দ্রংদা মখোল তাবা ঙমদে।

# চীঞ্জাক্না খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি -

## দ্রাই ফ্রুট অমদি নটশিং চাবগী কান্নবা



দ্রাই ফ্রুট অমদি নটশিংদা কান্নরবা ন্যুট্রিয়ন্ট কয়ামরুম য়াওই হায়বসি পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অপীকপা ময়োমদা মমল তাঙনা য়োনবা তারবসু দ্রাই ফ্রুট অমদি নটশিংদা প্রোটিন, ভিটামিন, মিনরেল অমসুং দাইটরি ফাইবর মরাং কায়না য়াওই মরম অদুনা নুমীৎ খুদিংগী চাবা মথৌ তাই।

কাজু অমদি বদামদা মোনো-অন্সেচুরেটেদ ফেট য়াওবা মরম্না হার্টকী ফীভম ফহল্লি। কিসমিসকুম্বা দ্রাই ফ্রুটতা আইরন মরাং কায়না য়াওবা মরম্না এনিমিয়াদগী ঙাকথোকই। কনাগুম্বনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনগে হায়রবদি দ্রাই ফ্রুট অমসুং নট চাং নাইনা চাগদবনি।

মসিনা ঈদা য়াওবা কোলেষ্ট-রোলগী চাং হন্থহনবা মরম্না থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোকই অমসুং ঈগী ঈচেল ফগৎহল্লি। দ্রাই ফ্রুটশিংদা অন্সেচুরেটেদ ফেট, ভিটামিন বি, ফোসফরস, কোপ্পর অমদি আইরনগী চাং চপ চানা য়াওবনা হকচাংগী মরু ওইবা কয়াৎশিং মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহনবদা মতেং পাংই।

কিসমিস খক্তদা কেলসিয়ম অমদি ভিটামিন এ মরাং কায়না য়াওই। মসিনা শরূগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মীৎ ফহল্লি। কেলসিয়ম অমদি মেগনেসিয়ম মরাং কায়না য়াওরিবা কাজুনা মশল কনখৎহল্লি অমসুং য়ারী-য়াখোঙ ফহল্লি।

মহৌশাগী ওইবা নেচরেল সুগর, ফাইবর, অমদি ফেট য়াওরিবা দ্রাই ফ্রুট অমসুং নটশিংদা হকচাংনা মথৌ তাবা ন্যুট্রিয়ন্ট অয়াম্বা য়াওই। উহৈ মখল খরদি অতেকপা ওইনা চাবগী মহুৎতা অকংবা ওইনা চাবনা হকচাংদা কান্নবা হেল্লি।

খুদম ওইনা হায়রবদা অঙ্গুর অতেকপা কপ অমা চাবদা হকচাংনা ফাইবর গ্রাম ১.৪ ফংবা ঙম্লবসু অঙ্গুর কংহল্লগা শেম্বা কিসমিস কপ অমা চাবা মতমদদি ফাইবর গ্রাম ৫.৪ ফংবা ঙম্মী। ফাইবরনা দাইজেষ্টিভ সিষ্টম ফহনবখক নৎতনা হকচাংগী অৰূম্বা হেনগৎহন্দে। থম্মোয়গী লায়না অমদি কেন্সর মখল খরদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। জর্নেল ওফ দ অমেরিকন কোলেজ ওফ ন্যুট্রিশনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না উহৈ মখল খরদা অতেকপদগী অকংবদনা এন্টি-ওক্সিদেন্টকী চাং হেন্না য়াওই। কিসমিসকুম্বা দ্রাই ফ্রুট মখল খরদা বেটা কেরোটিন, ভিটামিন ঈ, নিয়াসিন, আইরন, মেগনেসিয়ম, পোটাসিয়ম অমসুং কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওই হায়না য়ুরোপিয়ন ফুদ ইনফোর্মেশন কাউন্সিলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

